ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালনা কৈথেলমানবীদা লৈবা নমগাইলোং কবুই ভিলেজকী শোখুনা লৈরিবা ইমুং ৩৫ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং ওইনা য়েন্থোকখিবা

লামায় ৬

জেম পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল জনমঞ্জয় মীতৈ অমসুং শক্লাইরবী এক্টর তোম্বোইঙাম্বীনা লোকদাউন মনুংদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংবু ইকাইখুম্নবা উৎতুনা চান- থক্লবা পোৎলম তেংবাংখিবা

লামায় ৬

লোকদাউননা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা করাং আইলেন্দগী শোখরবা ইমুং ৪০০ হেনবদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজর্ভেসন কম্মিটি মণিপুরনা তেংবাংখিবা

লামায় ৩

তাঙ্খুল নাগালোং, তাঙ্খুল সনাওলোং অমসুং খোংবান তাঙ্খুলগী খুনমীশিংনা খুৎশম্নরগা মনা-মশীং কয়া মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবদা খূদোল তমখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.045 | নোংমাইজিং, কালেনগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, May 10, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পন্দুনা লৈরিবশিংনা রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা মানা-মানা লৈরিবা ষ্টেটশিং অদুগী ওথোরাইজ তৌবা গভর্ণমেন্টকী ওফিসল ৱেবসাইটশিংদা রেজিষ্টর তৌননবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং হল্লকহন্ননবা ষ্টেট লৈঙাক্লা ট্রান্সপোর্টেসনগীদমক ট্রেনশিং থৌরাং তৌরি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী মীওই ৪৬,০৮১ ষ্টেট লৈঙাক্কী ওফিসল ৱেবসাইটতা রেজিষ্টর তৌরক্লে। অদুবু মুভমেন্ট পাস লৌনবগীদমক মীওই কয়া অমদি মানা-মানা লৈরিবা ষ্টেটশিং অদুগী ওফিসল ৱেবসাইটশিংদা রেজিষ্টর তৌদনা লৈরি। মরম অসিনা মণিপুরী খুদিংমক্না রেজিষ্ট্রেসন তৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মশানা পুথোকপা কোভিদ-১৯গী হীদাক চাদুনা চাংয়েং তৌবদা শিখ্রে

চেন্নাই, মে ০৯ (এজেন্সি): টামিল নাদুদা কোরোনাভাইরস লায়েংনবগী হীদাক পুথোকপা হর্বেল প্রদক্ট ফার্ম অমদা থবক তৌবা মীওই অমা মশানা পুথোকচবা হীদাক চাদুনা চাংয়েং তৌবদা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং কে সিবনেসন (৪৭) কৌই। হর্বেল ফার্ম অদুদা ফার্মাসিষ্ট অমসুং প্রদক্সন মেনেজর ওইনা থবক তৌবনি। কোভিদ-১৯ লায়েংনবগী হীদাক অদু সিবনেসন অমদি ফার্ম অদুগী মপু রাজকুমার (৬৭)না চারগা চাংয়েং তৌখি। মখোয় অনীমক ৱান্থরকপদগী মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। হোস্পিটালদা মতম খরা লায়কন্নরবা মতুংদা সিবনেসন শিখি। রাজকুমারদি ফিভম খরা ফগৎলক্লে। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.৪২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.১৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৮

HL Poll

Q: Paramilitary personnel kaya COVID-19 positive oirakpagi matangda state leingaknasu akhannaba mityeng changlakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: NFSA gi card paiba employee singna card surrender touraktrabadi action loukhatkani haibadu thabakta onthorakkani khanbra?

Yes 12% No 88%

অস! লোইরেহে!

- মীয়ামগী সেবানি ইবেম্মা...!
- [illegible]



- গিলাস অসি খরা চাউমল্লব্রা, সার !
- [illegible]

সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী ইন্টর ষ্টেট মুভমেন্ট লৈঙাক্লা য়েংশিনবা মথৌ তারে

ত্রিপুরাদা বি এস এফ পর্সনেল ১০০ হেন্না চয়োল অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯(ঐচ এন এস): ত্রিপুরাদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) পর্সনেল ১০০ হেন্না চয়োল অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা সেন্ট্রেল ফোর্সকী পর্সনেল কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী য়েংলগা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী ইন্টর ষ্টেট মুভমেন্ট তৌরিবা কনভোয়শিং মণিপুর লৈঙাক্লা নীংথিনা য়েংশিনবা মথৌ তারে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

হীরমসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, ষ্টেট অসিদা মথৌ তৌরিবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অসিগী কনভোয়শিং লেপ্পা লৈতনা ষ্টেট লান্না চৎলি। কনভোয়শিং অসিদা পোৎ-চৈ পুশিল্লকপদা নৎতনা পর্সনেল মুভমেন্টসু তৌরি। মসিদসু নৎতনা অতোপ্পা পর্সনেল কয়া অমসু ষ্টেট অসিদা মথৌ তৌহন্নবগীদমক অতোপ্পা ষ্টেটতগী থারক্লবা য়ানা লৈরি। মরম অসিনা পর্সনেল মুভমেন্ট তৌরিবশিং নৎত্রগা নৌনা থারক্কদবা পর্সনেলশিং অসি কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংদগী ওইরম্বা থোক্লবদি মদুনা মণিপুরদসু অচৌবা শাফু অমা পীরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমগী মনুংদা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং হায়বদি বি এস এফ, সী আর পি এফ অমদি অসাম রাইফলসনচিংবগী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা কনভোয়শিং অসিগী মতাংদা নীংথিনা য়েংশিন্দুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহন্নিংবগী অপাম্বসু মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়া পূম্বদা বি এস এফ পর্সনেল ২২৯, সী আর পি এফ পর্সনেল ১৬৩, আই টি বি পি ১০০, সী আই এস এফ ৪৮ অমসুং এস এস বিগী পর্সনেল ১৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবনি।

পোৎ-চৈগী মমল হন্থহনবীনবা হোলসেলরশিংনা লৈঙাক্তা হায়জখ্রে

রিটেলরশিংনদি য়োন্নিং য়োন্নিংবা মমলদা হেনগৎনা য়োল্লে

ইম্ফাল, মে ৯ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দো-রকহন্দনবগীদমক লোকদাউনগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী নোংমগী হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল খঙহেন-হেনগৎলকপগী মায়োক্তা লৈঙাক্লা লেপখিবা মমল অদুদগী ফাওবা খরগা হন্থহনবীনবা হোলসেলরশিংগী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা হায়জবা লৈরবসু রিটেলরশিংনদি য়োন্নিং য়োন্নিংবা মমলদা হেনগৎনা য়োল্লম্বশিং থেংনরে।

মীয়ামগী ইসেন্সিয়ল কোমোদিটি-শিংগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলে হায়বা রিপোর্টতগী পাউচে অসিনা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা হোলসেলরশিং অমসুং রিটেলরশিংদা চৎতুনা য়েংলুবদা হোলসেলরশিংনা য়োল্লম্বা পোৎ-চৈশিং অদুদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেক্রেটেরিএট : কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সী এ এফ এন্দ পি দি)গী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোমনা মমাং থাগী ২৩দা লেপখিবা মমলগী চাং অদুদা য়োল্লম্বা থেংনখি।

নুমীৎ অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোৎলম ১৭কী মমল লেপখি। পোৎলমশিং অদুনা হৱাইমঙ্গল হোলসেল রেটতা কিলোগ্রাম ১০০দা লুপা ৭১০০ ওইরগা রিটেল প্রাইসতনা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৭৮নি। অসুম্মাইনা পোৎলম ১৭ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা আলুগীনা মথংশিংনা লুপা ২৭০০ অমসুং লুপা ৩৫, তিলহৌগীনা লুপা ৩৫০০ অমদি লুপা ৪৫ হায়দুনা লেপখি। পোৎলমশিং অসিদা অট্টা, ময়দা, মঙ্গল কাংতক, থুম, চিনি, অচাথাও, হৱাই মায়রোংবি, শগোল হৱাই, রিফাইন থাও, চেঙ (পর্মল) অমসুং য়ু পিগী চেঙনচিংবা য়াওখি।

হায়রিবা পোৎলম ১৭ অসিদি লৈঙাক্লা লেপখিবা মমল অসিদা য়োন্নরম্বগী মথক্তা হোলসেলরশিং অসিগী মরক্তগী মাঙজিল থাবা অচৌবা হোলসেলর খরনদি লৈঙাক্লা লেপখিবা মমলগী চাং অসিদগী ফাওবা খরা হন্থহনবীনবা লৈঙাক্তা প্রপোজল অমা থারম্বা থেংনরকখি। প্রপোজল অসি থা অসিগী ৬তা সী এ এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নরদা থারম্বনি। মসিগী মতুংইন্না কিলোগ্রামদা লুপা ৭৮ য়োনগদবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

এ সী খূদিংমক্তা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটি শেমগদৌরি

লোকদাউন মনুংদা মণিপুরগী ৱাংমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৩৯ হল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংনননবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খূদিংমক্তা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটিশিং শেমগদৌরি। অহুমশুবা তাঙ্কক্কী লোকদাউন হৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী ৱাংমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৩৯ ষ্টেট অসিদা হল্লকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) ঐচ গ্যান প্রকাশনা ঙসি থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী ৱাংমদা লৈরুবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিং হল্লক্লবা মতুংদা হোম ক্বারন্টিন নৎত্রগা কম্যুনিটি ক্বারন্টিনদা লৈগদৌরিবনি। মরম অসিনা হোম ক্বারন্টিন নৎত্রগা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন শেম শাবা, ক্বারন্টিন সেন্টরশিং নীংথিনা চল্লাইবা অমদি ক্বারন্টিনগী চৎন-কাঙলোনশিং মপূং ফানা ঙাকহন্ননবগীদমক য়েংশিনহন্ননবগীদমক লৈঙাক্লা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খূদিংমক্কী কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটি শেম্নবা ৱারেপ লৌরে। কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটি অসিগী চ্যেরপর্সননা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী এম এল এনা ওইগনি। কনভেনরনা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নরগী মীহুৎনা ওইগনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট এস পিগী মীহুৎ, দিষ্ট্রিক্ট সী এম ওগী মীহুৎ অমসুং কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী এম এল এগা তান্নরবা মতুংদা দি সীনা নোমিনেট তৌরকপা লোকল সী এস ও নৎত্রগা এন জি ও নৎত্রগা ক্লবকী মীহুৎ অনীনা মেম্বরশিং ওইগনি। লোয়ননা কম্মিটি অসি শেম্নবা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা খূদক্তগী থবক পায়খৎননবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুনা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, হৌখিবা মে ২দা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৭ অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইম্ফালদা হল্লক্তুনা মে ৩দা থুংখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বদগী কংফাল লম্বীদা হল্লকখিবা মীওই ১২৩৯ শুখ্রে। হল্লক্লবা মীওইশিং অসি ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থমদুনা স্ক্রিনিং অমদি টেষ্টিং তৌবগী থবক চথুরি হায়না কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রূমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেন্নাইদগী ট্রেন তোংদুনা হল্লক্লগদবশিং লৌরুনবা বস ৫০ হয়েং জিরিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি : টি দি সী

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস): চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরম্বদগী ট্রেন তোংদুনা হল্লক্লগদবা মণিপুরদগী মীওইশিং জিরিবামদা থুংলবা মতুং ইম্ফাল তম্না পুরক্লবগীদমক বস ৫০ থা অসিগী ১১গী অয়ুক্তা জিরি-গীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না টি দি সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম জি এভেন্যুদা লৈবা টি দি সীগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইরগা মপান লমদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরদগী মীওইশিং ট্রেনদা জিরিবাম ফাওবা পুরক্লবা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎলিবা অসিদা জিরিবামদগী বসতা ইম্ফাল তম্না পুরক্লবগী মতাংদা টি দি সীগী মীহুৎশিংগা ঙরাং চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

থা অসিগী ১১গী অয়ুক্তা ইম্ফালদগী বস ৫০ জিরিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি। অহানবা ওইনা চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং ট্রেনদা লাক্তুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংগদৌরি। জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদগী ইম্ফাল তম্না বস ৫০দা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাক্লা পুরক্কনি। মসিগীদমক শেম শাবা লোইরে। লাক্কদৌরিবা মীওইশিং অসিদা টি দি সীগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা ঈশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং বসতা হেক কাখৎলকপগা মতেং পাংনবগীদমক থৌরাং তৌরি। মতম শাংনা চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং অসি জিরি-বামদা থুংলবা মতুংদা ইম্ফাল তম্না লাকপা লম্বীদা য়াম্না নুংঙাইনা গাড়ী তোংদুনা লাকহন্নবগীদমক দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিংনা হোৎনবীয়ু। মখোয়বু টেন্সন অমত্তা লৈতনা ইম্ফাল তম্না নুংঙাইনা পুবীরক্লবগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরম্বদগী লাক্কদৌরিবশিং অসি জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন হেক য়ৌবগা হেল্থ সাভিসেসকী মীহুৎশিংনা স্ক্রিনিং তৌদুনা য়েংশিনগনি। তুংদা ইম্ফাল তম্না পুরক্কদবনি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা দোক্তর অমদি নর্সশিং লোয়ননা পুলিস পর্সনেলশিংবু ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌবগী ইকায় খুম্নবা অদুগুম্না লৈঙাক্লা দ্রাইভর অমদি ট্রান্সপোটর য়াওনা গাড়ীগী মীওইশিংবুসু ফ্রন্টলাইনদা থৌদাং লৌবা মীওইনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মশক খঙবিরম্বা অসিগীদমক থাগৎলি। চীফ মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চাইনা হায়না লৌই।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

চেন্নাইদগী মণিপুরী ১,২০০ পুরক্কদৌরিবা ট্রেন ঙসিদগী লাক্লগনি

ইম্ফাল, মে ৯ (ঐচ এন এস): লোকদাউননা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং হল্লকহন্ননবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা চেন্নাইদগী মণিপুরী ১,২০০ রোম অহানবগী ওইনা ট্রেনদা মে ৯দগী পুরক্লগনি হায়না তৌরম্বা অদু হয়েং মে ১০গী নুংথিলদগী ওইনা পুরক্লগনি। ট্রেন অদু করি মরমগীদমক নোংমা দিলে তৌখিবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মফমদুদা লৈবা মীওই কয়া হয়েং অয়ূক রিপোর্ট তৌরক্লবা খঙহল্লকপদি লৈরে হায়রি।

যুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগা কোভিদ-১৯গী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৯ (এজেন্সি): অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগা মরী লৈননা যুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমসুং সিকিমগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা ৱারী শানখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ষ্টেট ৮ গী হেল্থ মিনিষ্টরশিং অমদি অতৈ সিনিয়র ওফিসলশিং শরুক য়াখি।

হৌজিক ফাওবদা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ডা. হর্স বর্ধননা হায়খি, অসাম অমদি ত্রিপুরা নত্তনা অৱাং-নোংপোক্কী অতৈ ষ্টেট পুম্নমক গ্রীন জোনগী মনুং চল্লে। মীয়াম পুম্নমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা ইন্দিয়াগী মফম পুম্বা গ্রীন জোন ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সেন্টরনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, লৈঙাক্কী লেবোরেটরি ৩৩২ অমসুং প্রাইভেট লেবোরেটরি ১২১দা নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা টেষ্ট ৯৫,০০০ তৌবা ঙম্লে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল ১৫,২৫,৬৩১ টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

মাইস্নাম বুধ, চিঙামখা, ইম্ফাল

লৈঙাক্লা ফেস মাস্ক উপ্পবা, লোকদাউনগী চৎন-কাংলোন ঙাক্লা চৎনবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং থম্নবা য়াম্না কন্না লাউরি। অদুবু মীয়াম্না ৱাফমশিং অসি করিগী ইন্দ্রিবনো হায়বগী মতাংদা চাউরাক্লা মরম অহুম থোক্লা য়েংবা য়াই। তঙাইফদবা, উশিৎ -থৌওইদবা অমদি মরম খঙদবা অসিনি। অহানবা অমদি অনীশুবা মরম অসিদি নেচরেল ফেনোমেননি হায়না লৌবসু য়াই। অহুমসুবা মরম অসিদি শাউরুবা য়াদবা মরম অমা ওই। মরমদি খঙদবা হায়বসিদি মরাল লৈতে হায়নরিবনি। মখোয়বু ফজনা তাকপী-তম্বিবা মথৌ তাই। মণিপুর ষ্টেট অসি লিটরেসি রেট ৭৬.৯৪% ওইরবসু লাইরিক ময়েক চৎতবা মীওই কয়া অমসু লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক য়াম্না কন্না শীজিন্নরক্লিবা ক্বরন্টিনগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসি মণিপুরী লোন্দা হায়বিবা চঙই। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি অরুবা ৱা অমা মমুৎ তানা খঙহন্নিংলবদি ঈমালোন্দা হায়হন্নিংই। করিগুম্বা লৈঙাক্লা কয়ারক হন্না লাউ খোংলবসু মীয়াম্না চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়রক্লবদি আর্মি কৌথোক্লগা ঙাক শেল্লক্কনি। লোয়ননা লৈঙাক্লা হায়বা মতুংইন্না থবক তৌরবদি কৈথেল হাংবা য়াদুনা ৱানরিবা অসি ফগনি হায়বসি মীয়াম্না খঙমিন্নসি।

রাজেস সাইখোম, হৈরোক পার্ট-২

লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্লবা হায়দুনা লোকদাউন তৌখিবদগী মীপুম খূদিংমক ৱানরে। পোৎচৈ লৈবা ফংদবা খক নত্তনা ফংলিবা পোৎচৈগী মমলসু অতিয়া পক্লা ৱাংখরে। লৈঙাক্লা পোৎচৈ তাংলিবা অসিগী মতাংদা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎপীনবা মীয়াম্না পাউচেগী খূত্থাংদা কয়ারক হায়রবসু ঙসি ফাওবা লৌখৎপীদনা লৈরি। মদুনা মরম ওইদুনা নোংম-নোংমগী অফং-অফংবা থবক শু-নোমদুনা হিংলিবা লায়রবনা নম্না লৈবা লমদম অসিদদি পোৎচৈগী মমল তাংখৎলকপনা কা হেন্না ৱারে। পোৎচৈগী মমল তাংনা য়োনবা য়ারোই হায়না মফম খরদা পোৎচৈগী মমল থেৎপীরবসু লৈঙাক্লা চপ চাবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপিদবনা পোৎচৈ য়োল্লিবা মীওইশিংনা য়োন্নিংবা মমলদা পোৎচৈ য়োনরে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অমরোমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং অথিংবা থল্লবসু লৈকায়-লৈকায়গী দুকানশিংদা অদুমক য়াম্না লায়না ফঙবগী মমি চাউনা তারি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্লা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবিবা মথৌ তাবরা হায়নসু খঞ্জে। মদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

মাদর’স দেনা লাকপদা : মমা ওইবীশিংনা অহল ওইরক্লগা নাইতোম ৱানা হিংলিবসি মচা পোকচবগী মহয় ওইগদৌরিব্রা?

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস): মমা ওইবীশিংনা মচাগীদমক হীরম খুদিংমক্তা কৎথোক্তুনা লাক্লি। মচা পোকচবগী মহয় ওইনা অহল ওইরক্লবা মতমদা নুংঙাইনা হিংবা মীওই কয়াসু লৈরি। অদুবু কনা অমদি মচা-মশু লৈনা-লৈনা ওল্ড এজ হোমদা নত্রগা যূমদা নাইতোম তানা তরক-তরক ৱানা হিংলি। নত্রগা তাইবঙপান অসিদা মমা-মপা লৈরম্লগদি কয়াদা নুংঙাইগদবা হায়না তকশি শোনজবা মীওইশিংসু লৈতবা নত্তে। মাদর’স দেনা লাকপদা পাউচে অসিনা অহল ওইরবী ঈমাশিংগা অখন্ননা উন্নরুবদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

আর কে সনাতোম্বী

মাইবম জিলা

য়ুম্নাম বিমোলা

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা কাঞ্চিপুরদগী মশাগী চহী ১০১ রোম শুরবী আর কে সনাতোম্বীনা হায়খি, অঙাং ১০গী মমা ওইদুনা অৱা-অনা কয়া খাঙদুনা ইচাশিং য়োক্লকখি। মাদর’স দেনা লাকপদা লমদম অসিদা অমদি মালেমদা লৈরিবা মচা ওইবশিংদা হায়জ-নিংবদি ঙসি মালেমগী অৱা-নুংঙাই উবা ফংলিবা অসি মমা-মপানা মখোয়বু পোকপীরম্বদগীনি হায়বসিনি। অদুবু মালেমদা লৈরিবা মমা ওইবী খুদিংমক্লা কৈদৌঙৈদা মচাশিং য়োক-থাকখিবদা ৱাখিবশিং অদুগী মমল পীনবা হায়বা লৈরম্লোই। অদুবু মচা ওইবশিংনা মমাবু অহল মতম ওইশিল্লক্লবা মতমদদি য়েংশিনফম থোকপরা হায়না খল্লি। হিংনবা ইশানা হোৎনজবা নত্তনা। ঙসিদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা করি অমত্তা হায়নিংবা লৈত্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

কংলা সিফাইদগী মশাগী চহী ৬৫ রোম শুরবী মাইবম জিলানা হায়খি, অহল ওইরবা মতমদা নাইতোম তানা হিংলিবাসি ইচা পোকচবগী মহয়রা হায়বা ৱাহং কয়া তত্তনা থম্মোয়নুংদা হংলি। চহী ৩০গী মমাংদা মপা কাইনখ্রবসু অঙাং মরী য়োক্লবা অমদি লাইরিক লাইশু তমহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনখি। অদুবু পূম্নমক অৱাবনি খনখিদে। তশেংনা ৱারিবদি নুপীনা নুপী ওইবিগী হৌনশা অতোপ্পা শাগৈদা ওংখ্রগসু ইচানুপা লৈনা-লৈনা নুপী ময়ুমদা য়াওং ইনখিবনা চহী খরগী মমাংদগী ইথন্তা লৈবা অসিনি। ফি শাদুনা হিংনবা হোৎনরি। অতৈ-অতৈমক তৌবা ঙমদ্রবসু অহল ওইশিল্লক্লবা মমা-মপাশিংবু মচাশিংনা লুনা-চান্না, নুংশিনা থমহন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

য়ুম্নাম হুইদ্রোমদগী মশাগী চহী ৬৩ শুরবী য়ুম্নাম বিমোলানা হায়খি, তাইবঙ পানবা অসিদা খ্বাইদগী ৱাবা হায়রগদি মচা-মশু লৈনা-লৈনা কনা লৈজদবা অমগুম ওল্ড এজ হোমদা লৈবা অসিনি। তশেংনা ওল্ড এজ হোমদা লৈবদা অৱাবদি অমত্তা লৈতে অদুবু ৱাখলদি য়াম্না নুংঙাইতে। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা নুপীশিংনা মরুওইনা মমা ওইবিশিংনা য়ারিবমখৈ যূম পাল্লবা মতুংদা লাইবক থীদুনা মপুরোইবা লৈখিদবা থোক্লবসু অতোপ্পা মচা-মশু লৈরবা নুপাশিংদা ময়ুম পালহন্নিংদে। ৱারবসু ৱানা মচা-মশু অদু য়োক্তুনা লৈহন্নিংই। মদুনা মতম খরা অৱাবা মায়োক্লরবসু অহল ওইরবা তুংদা নিংঙমদবা হায়বদু লৈরোই। মচা ওইবশিংনসু মমা-মপাবু লুনা তৌফম থোক্তবরা হায়বা ৱাহং কয়া হংনিংই হায়না পূক্নিং নুংশিনা ফোঙদোরকখি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫